# দলাই লমাগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফিরেপ হোংবা লৈতেঃ এম ই এ



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২ ঃ***

সেন্টরনা ওফিসিয়েলশিংদা টিবেটকী থৌরমশিংদগী লাপ্না লৈনবা খঙহনখ্রে হায়বা মেদিয়া রিপোর্ট অমগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা ঙসি দলাই লমাগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফিরেপ হোংবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্ট অদুদা দলাই লমা চহী ৬০ চুপ্পা লৈবাক অদুদগী তাম্থোরক্তুনা লৈরিবনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরীদা য়াম্না লুবা তাঙ্কক অমদা লৈরিবনি হায়খিবনি।

কেবিনেট সেক্রেটরীনা ফেব্রুৱারী ২৬ তা থাখিবনি হায়বা চেরোল অমা পল্লদুনা ইন্দিয়ান এক্সপ্রেসনা ফোঙদোকখিবদা সেন্টরগী সেনিয়ার লিদর অমসুং লৈঙাক্কী থৌমীশিং অমসুং ষ্টেটশিংনা মার্চকী অরোয়বা চয়োলদগী এপ্রিল থাগী অঙনবা ফাওবা টিবেটাল লিদরশিং ইন্দিয়া হায়বা থৌরমদগী লাপ্না লৈনবা খঙহনখি হায়রি।

কেবিনেট সেক্রেটরীনা অদুগুম্বা ৱাফম অদু খঙহনখিবা অদু ফোরেন সেক্রেটরী বিজয় গোখলেগী পাউতাক মতুং ইন্না পাঙথোকখিবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না থেঙ্ক য়ু ইন্দিয়া হায়বা দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুগী মতাংদা ফোরেন সেক্রেটরীগী পাউতাক মতুং ইন্না কেবিনেট সেক্রেটরীগী চেরোল অদু থোকখিবনি হায়বা মরিক চুম্বা পাউদম থল্লকখিবা লৈখ্রে।

ইং ১৯৫৯ দগী টিবেটকী স্পিরিচুয়েল লিদর দলাই লমা ইন্দিয়াদা চঙজফম পীদুনা লাকখিবনি। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু য়েংলগা কেবিনেট সেক্রেটরীনা লৈঙাক্কী থৌমীশিংদা অদুগুম্বা থৌরম অদু য়াওদনবা খঙহনখিবনি হায়বা ৱাফমসু পনলক্লি।

অদুম ওইনমক ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা দলাই লমাগী মতাংদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা ফিরেপ ময়েক শেংনা লৈরি। মহাক ধর্মগী লুচিংবা অমনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাকপু ইন্দিয়াগী মীয়াম্না চাওনা ইকায় খুম্নরি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় রভিস কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা ন্যু দিল্লিদা বেজ তৌবা থিঙ্ক তেঙ্ক অমসুং পোলিসি রিছার্সকী মরমদা থিগৎলিবা প্রেফেসার ব্রহ্মানা হায়, লৈঙাক্না হৌজিক লৌরিবা ফিরেপ অদু লাইবক থিবা অমনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা চিনানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লিবা অদুগী মায়োক্তা প্রোটেস তৌবা লৈতে।ব্রহ্মাপুত্র নৎত্রগা চিনাগী লোন্দা সুটলেজ তুরেলগী পরীংদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শেংলবা খুভমশিংদা চৎপা য়াহন্নবগীদমক মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেন্দিং অমা সাইন তৌনখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

# রোহিংয়া ৱাথোক ঃ বাংলাদেশনা ম্যান্মারদা রিফ্যুজি কয়া লৈরিবা ঙমখৈ পরীংদগী লান্মীশিং লৌথোকখিনবা খঙহনখ্রে



***থাকা, মার্চ ২ ঃ***

রোহিংয়া রিফ্যুজি লীশিং কয়ানা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈ পরীংদগী লান্মী লৌথোকখিনবা বাংলাদেশনা য়ূম্লোন্নরিবা লৈবাক্তা খঙহনখ্রে।

মমাঙ চহীদা ম্যান্মারদা লৈবা রোহিংয়া কয়াগী ময়ূম মকৈ থাদোকখিবনা মরম ওইরগা রোহিংয়া লাক্ষ ৭ লোম লাঞ্জেন্নখ্রে। মদুগী মনুংদা বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈ পরীংগী নো মেন্স লেন্দদা রোহিংয়া রিফ্যুজি লীশিং কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা ম্যান্মারগী মশীং য়াম্লবা লান্মীশিং ঙমখৈগী শম্বল পরীং অদুদা লৈবা উখি। ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা বাংলাদেশনা ম্যান্মারগী এম্বেসেদর কৌখৎতুনা হীরম অদুগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মমাঙ চহীদা ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতগী রোহিংয়া রিফ্যুজি লাক্ষ কয়া চেন্নখ্রে। ওইরিবা ফিভম অদুদা ম্যান্মার লৈঙাক্কী ওইনদি মখোয়না মিলিন্টেশিং লাকশিন্নবা লান্মীগী ওইবা থবক লৌখৎখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ম্যান্মার লান্মীনা পায়খৎলকখিবা থৌশিল অদুনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরে। লোয়নবা রোহিংয়া কয়াগী ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকখ্রে হায়না পাক শন্না পাউ ফোঙনরকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মারনা পায়খৎলিবা থৌওং অদু কাঙলূপ অমবু অতম্বনা মুখৎনবা হোৎনবা থৌশিল অমনি। মখোয়না পায়খৎলিবা থৌশিল অদু জিনোসাদনি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়রি।

ম্যান্মার লান্মীনা অকনবা মিলিটরি এক্সন চখ্থরকপনা মরম ওইরগা রোহিংয়া কয়া বাংলাদেশ ঙমখৈ লান্না চেনশিল্লকখি। হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশকা তায়নবা অখুবা পরীং অমদা রোহিংয়া রিফ্যুজি লীশিং কয়া শৈদাংদুনা লৈরি। হায়রিবা মফম অদু বাংলাদেশকী ঙমখৈ মনুংনি হায়না লৌই। নাকল অমরোমদা রিফ্যুজি কয়ানা লৈরিবা মফম অদু নো মেন্স লেন্দনি হায়না ফোঙদোক্লরকপসু লৈরি।

শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্না ম্যান্মাররোম থংবা ঙমখৈ পরীংদা লান্মী ২০০ রোম লৈবা উখি। রিফ্যুজিশিংনা লৈরিবা মফমশিং অদুগা নক্কনা ম্যান্মার লান্মীশিং অদুনা মথৌ তৌবা উখি। ম্যান্মার লান্মীশিং অদুনা মেছিনগল অমসুং মোর্টার কয়া খিন্দুনা থম্বা উখি হায়না বোর্দর গার্দনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রোহিংয়া কাঙলূপকী লুচিংবা দিল মোহমেদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ম্যান্মার লান্মীশিংনা লাউস স্পিকর শীজিন্নদুনা ঙমখৈ নক্না চঙজফম লৌরিবা মীয়াম অদু চৎখিনবা খঙহল্লকখি হায়রি।

ম্যান্মার লান্মীশিংনা ঙমখৈ নক্না পেট্রোলিং তৌবসু উরি। মখোয়না কৈরাক ১৪ রোম শীজিন্নদুনা বোর্দর ফেন্সিং লাম্থোক্তুনা ঙমখৈ পরীংদা লৈরিবা মীয়াম অদুবু তকথোক্নবা হোৎনরকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা বাংলাদেশকী বোর্দর গার্দশিংনা মখোয়গা মান্নবা ম্যান্মার গার্দশিংগা ৱারী শান্নবা খঙহনখ্রে। অদুম ওইনমক ম্যান্মারগী মায়কৈদগী মখোয় থবক চিল্লি হায়না লৈথোরকখি হায়রি।

# ষটিসগরদা ওপরেসন চখ্থবদা মাওইষ্ট ১২ হাৎখ্রে, কম্মান্দো ১ শিরে

***রাইপুর, মার্চ ২ ঃ***

টেলঙ্গনা–ষটিসগরগী ঙমখৈদা ওপরেসন চখ্থবদা ঙসি অয়ূক লান্মীনা মাওইষ্ট ১২ হাৎখ্রে। অদুগা এন্টি মাওইষ্ট গ্রেহন্দ টিমগী কম্মান্দো অমা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।



এন্টি মাওইষ্ট গ্রেহন্দস অমসুং উরিষ্যা ষটিসগর অমসুং মহারাষ্ট্রগী স্পিসিয়েল পুলিস পার্সোনেলশিংগা লোয়ননা রাইপুরদগী কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পা লৈবা পুজারি কনকর লমদমদা ওপরেসন চখ্থিখি। ওপরেসন চখ্থবা হৌরকপগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক পুজারি কনকরগী উমংদা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। খূৎ থোক্লবা অদুদা লান্মীশিংনা মাওইষ্টকী কাদর ১২ হাৎপা ঙমখি হায়না এন্টি নেক্সেল ওপরেসনগী স্পিসিয়েল দাইরেক্তর জেনরেল দি এম অৱাসথিনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুদা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অহুম অশোক–অপন নংখি। শোক্লবা পার্সোনেলশিং অদু ভদ্রাচলমদা লৈবা হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুং তঙাই ফদবা ফিভম লাকপদগী রাইপুরদা লৈবা হেন্না চাউবা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা ওপরেসন চখ্থিবা অদুদা খূৎশু খূৎলাই কয়াসু ফংবা ঙমখ্রে। পাউ অসিগী মতুং ইন্না সেক্যুরিটি ফোর্সনা চিংনবা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুং ওপরেসন চখ্থিখিবনি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার মোহিট গর্গনা ফোঙদোরকখি।

মমাঙ থাদা জর্খনগী মফম খরদা সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্লবদা মাওইষ্টকী কাদর মরি হাৎখিবসু লৈখ্রে। টেলঙ্গনা, অন্দ্ৰ প্রদেশ, উরিষ্যা, ষটিসগর অমসুং মহারাষ্ট্রগী মফম কয়াদা মাওইষ্টশিং এক্টিভ ওইনা লৈরি। ফিভম অদু লাকশিন্নবগীদমক পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী অপূনবা খূৎপুশিং লেপ্পা লৈতনা ওপরেসন চখ্থরি।

এন্টি মাওইষ্ট গ্রেহন্দস অমসুং মাওইষ্টকী ইরাংনা শোকহল্লবা ষ্টেটশিং অদুগী পুলিস ফোর্সশিংগা লোয়ননা মফম কয়াদা ওপরেসন চখ্থরি। ঙসি রাইপুরদগী লাপ্পা লৈবা পুজারি কনকর লমদমদা ওপরেসন চখ্থবদা মাওইষ্ট ১২ হাৎপা ঙমখ্রে। অদুগা অপূনবা খূৎপুগী কম্মান্দো অমসু লৈখিদ্রে। লোয়ননা পার্সোনেল অহুম শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

# মুম্বাইগী ললোন ঈতিক তৌবা মীওই অনী জি এস টি লোগী মখাদা অহানবা ওইনা ফারে

***মুম্বাই, মার্চ ২ ঃ***

গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) লোগী মখাদা টেক্স থিদনবা হোৎনবা মুম্বাইগী কম্পনি অনীগী দাইরেক্তর ফারে। মুম্বাই সি জি এস টি গী কম্মিস্নারনা সাহ ব্রদর্স ইসপাট প্রাইভেট লিমিটেদকী দাইরেক্তর সঞ্জিব প্রবিন মেহটা অমসুং ভি এন ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তর বিনয় কুমার দি আরিয়া থৌশাদনা লুপা ক্রোর ৫.২০ অমসুং লুপা ক্রোর ২.০৩ মথংশিংনা লৌশিনখিবা থেংনখি।

সাহ ব্রদর্স স্পাটকী দাইরেক্তর অদুদগী বেল লৌবা য়াদবা ৱারেন অমগী মখাদা ফাবনি অদুগা ভি এন ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তর অদুনা মহাক্কা চেন্নরিবা শেলফম অদু ক্রোর ৫ গী মখাদা লৈবনা বেল লৌবা য়াবা ৱারেপ অমগী মখাদা ফাগৎখিবনি। হায়রিবা থৌদোকশিং অদুগা মান্নবা অতোপ্পা কম্পনি কয়াসু নমথাক তৌরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কম্পনিশিং অদুনা পোৎ য়োনবা অমসুং লৈবগী মিংদা একচেলস তৌরম্বা কয়া থেংনখি। মখোয়না পোৎ লৈবা অমসুং য়োনবগী থবক তৌখি হায়বদু চে খক্তদা লৈরম্বা ৱারোল ওইরমখি। তশেংনা পোৎ লৈবা য়োনবগী ৱাফম চখ্থিবা লৈতে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

কম্পনি অনী অদুগী মথক্তা থিজিনবদা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্না অরানবা মওংদা মখোয়না শেল কয়া লৌথোক–লৌশিন তৌরম্বগী খুদম চাংদম ফংখি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুগী সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইস অমসুং কষ্টমশিং অসুক কুইবা মতম অসিদা জি এস টি মতম চানা ফাইন তৌখিদবগী মরম করিনো। চপ মান্নবা এক্সন লৌদুনা শাংলবা মতম অমা লৈহল্লম্লিবদু করিগীনো হায়বগী ৱাফম অমা লাক্লে। জি এস টি সিষ্টেমবু নমথাক তৌনবা হোৎনবশিংগী মথক্তা চপ চানা য়েংশিনবা য়াবা অমনি। আইনগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎপা ঙম্বা সিষ্টেম লৈরি হায়রি।

# শাশিন্নবা আধার, পাল পায়রম্বা বাংলাদেশ টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা এন আই এ না কেস লৌখৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২ ঃ***

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মরু ওইবা আধার অমসুং পাল কার্দ অশাবা পায়রম্বা বাংলাদেশকী টেরোরিষ্ট অহুমগী মথক্তা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না কেস লৌখৎখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুং ইন্না এন আই এ না তোঙান তোঙানবা এক্টশিংগী মখাদা কেস অদু লৌখৎখিবনি। শাশিন্নবা আধার অমসুং পাল কার্দ পায়রম্বা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মথক্তা অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট প্রিভেন্সন এক্ট অমসুং আর্ম এক্টকী মখাদা কেসশিং অদু লৌখৎখিবনি হায়রি।

আসারুল্লা বাংলা টিম (এ বি টি) গী কাদর শমসাদ মিয়া এলাইজ টনবির, রিজাউল ইস্লাম এজাইজ রিয়াজ অমসুং দে এলাইজ মোনা দা গী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে। মোনা দা হায়রিবা মীওই অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা মীওইনি মহাক ইং ২০১৭ কী নভেম্বর ২১ দা কোলকটা পুলিসকী স্পিসিয়েল টাক্স ফোর্সনা ফাগৎখিবনি। অদুগা রিজাউল ইস্লাম, শমসদ মিয়াদি বাংলাদেশতা পোকপা মীওইশিংনি হায়রি।

মদুতা নত্তনা বাংলাদেশ মচা কয়া ফাগৎখিবসু লৈখ্রে। এ বি টি হায়রিবা কাঙলূপ অদু বাংলাদেশকী টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়রি।

# অজরবৈজানগী বাকুদা লৈবা দ্রগ রিহেপ সেন্টর মৈ চাকপদা মীওই ২৪ শিরে



***বাগকু, মার্চ ২ ঃ***

অজরবৈজানগী কোনুং বাগকুদা লৈবা দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

মথোল অমখক্তমক ওইবা উনা শাবা বিল্ডিং অদু মৈ চাকখিবগী ফুটেস কয়া লৈবাক অদুগী টেলিভিজন চেনেলশিংদা শন্দোকখ্রে। রিহেব সেন্টর অদুগী অনাবশিং লৈবা মফম অমদা ইলেক্ট্রিক সোর্ট সারক্যুট থোকপনা মরম ওইরগা মৈ অদু হৌরকখিবনি হায়না লৈঙাক্কী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

খুদোংথিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মফম অদুদগী মীওই ৩১ কনবা ঙমখ্রে হায়না জেনরেল প্রোসিক্যুটর ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই মরি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। রিহেব সেন্টর অদুগী ৱার্দ অমদগী হৌরকখিবা মৈ অদু থুনা য়াংনা অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরকখি। লমদম অদুদা অকনবা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা মৈ অদু থুনা শন্দোক্লবগী মরম অমা ওইহনখি। মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনবদা পুং ৩ লোম চঙখি হায়রি।

অজরবৈজানগী প্রসিদেন্ট ইলহাম অলিয়েভনা খুদোংথিবা থোকখ্রবা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মৈ কনবা কাঙবুনা তমথিবা মওংদা চাকখিবা মৈ অদু পুং ৩ গী মতুংদা মুখৎপা ঙমখি।

রিহেব সেন্টর অদুদা মীওই চা কয়া লৈরিবনি। দ্রগতা লায়চুরবা মীওই লীশিং ৩ লোম মফম অদুদা লৈননবা এপ্লিকেসন থারকখিবসু লৈখি। লোয়ননা মফম অদু হেন্না চাওথোকহন্দুনা মীওই মশীং হেন্না লৈবা য়াননবা থৌশিল পায়খৎখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

# আফ্রিনদা টর্কি লান্মী নিপাল শিখ্রে

***অঙ্করা, মার্চ ২ ঃ***

সিরিয়াগী আফ্রিন লমদমদা খূৎ থোক্লবদা টর্কি লান্মী নিপাল হাৎখ্রে হায়না সিরিয়া মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিত্তা আফ্রিন লমদমদা টর্কি লান্মী অমসুং সিরিয়াগী লান্মীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা টর্কিগী লান্মী ৪ হাৎখ্রে অদুগা ১৩ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

আফ্রিনদা চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারী থাদগী টর্কি লান্মীশিংনা কদ্রিস ফাইটরশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা ষ্ট্রাইক চখ্থদুনা লাকখিবনি। দমাস্কসকী অকোয়বা মফম কয়াদসু অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবনা মরম ওইরগা মীচম ৫৮০ গী পুন্সি মাঙখ্রে। ফেব্রুৱারী ১৮ দগী হেন্না কনবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকপা হৌরকপগা লোয়ননা মীচমশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। লমদম অদুদা লৈবা মীওই ৩,৯৩,০০০ চান–থক্নবা চিঞ্জাক অমসুং হিদাক লাংথক ফংদনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। টর্কি মিলিটরিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী লান্মীশিং খুদোংথিবা নংখ্রে হায়রি।

# মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সোলর পার্ক কর্নটকাদা শেমগৎপা হৌখ্রে

***বেঙ্গলুরু, মার্চ ২ ঃ***

কর্নটকাগী টুমাকুরু দিষ্ট্রিক্টতা লুপা ক্রোর ১৬৫০০ চঙনা শেমগৎপা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সোলর পার্ক চীফ মিনিষ্টর সিদ্দারামায়ানা ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

মেগৱাট ২,০০০ পুথোক্কদবা পার্ক অদু শক্তি স্থালা হায়না মিংথোন্দুনা একর ১৩,০০০ পাক চাউবা মফমদা শেমগৎপনি। পার্ক অদু কর্নটকা সোলর পৱার দিভলপমেন্ট কোর্পরেসন লিমিটেদনা শীংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌদুনা পায়খৎপনি।

কর্নটকা রিন্যুৱেবল ইনর্জি দিভলপমেন্ট লিমিটেদ অমসুং সোলর ইনর্জি কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খূৎশম্নদুনা শীংথানিঙাই ওইরবা থৌশিল অদু পায়খৎপনি। প্রোজেক্ট অদু চহী অনীগী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দম থম্লি। লোয়ননা প্রোজেক্ট অদুগীদমক লনাই মীওইশিংদগী লম লৌশিনখিবা লৈতে হায়না সিদ্দারামায়ানা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা লৌমীশিংগা লিজ অমা তৌনখি। লিজ অদুগী মতুং ইন্না লৌমীশিংগীদমক খুদোংচাবা কয়া পীগনি হায়বগী ৱাফম লৈরি। একর অমা শেমগৎপদা লুপা ২১,০০০ পীবগী ৱাফমসু য়ানবা লৈ হায়রি।



*মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সোলর পার্ক (ইনসেট) চীফ মিনিষ্টর সিদ্দারামায়া*

চহী ২ খুদিংগী ওইনা লেপ্পা লমগী মমলগী চাং অদুদগী শরুক মঙা হেনগৎনা লৌ মপুশিংদা খুদোংচাবা অদু পীরবনি। প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপনা লৌমী ২৩০০ দা কান্নবা ফংহল্লি হায়রি।

সিদ্দারামায়ানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রিন্যুৱেবল ইনর্জি পুথোকপগী লমদা কর্নটকা অহুমশুবা থাক্তা লৈরি। লৈবাক অসিগী ওইনা রিন্যুৱেবল ইনর্জি পুথোকপদা অহুমশুবা থাক্তা লৈবা অদুগীদমক চাওথোকচবা ফাওই। নৌনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সোলর পার্ক অমনি। মসিগী মতুংদগীদি কর্নটকানা খ্বাইদগী ৱাংনা ফিভম অমদা লৈবা ঙম্লগনি।

রিন্যুৱেবল প্রোজেক্ট অসিনা ৱাৎলিবা মৈগী চাং চাদা ২০ মেনশিনবা ঙম্লগনি। মদুতা নত্তনা মীওই কয়াসু থবক পীবা ঙম্লগনি। মীওই কয়া থবক পীবা অদুনা লৌমীশিংবু হেন্না ফবা শেল–থুমগী ফিভম অমদা লৈহনবা ঙম্লগনি হায়না ষ্টেট ইনর্জি মিনিষ্টর দি কে সিব কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

অচৌবা প্রোজেক্ট অসিনা অশা কয়া থল্লি। খুঙ্গং মঙা কোনশিনবগা লোয়ননা খুঙ্গংশিং অদুগী লৌমীশিংদা প্রোজেক্ট অদুগী পার্টনর অমা ওইনা লৌরি। শক্তি স্থালা প্রোজেক্টনা মীওই কয়া থবক পীবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা লমদম অদুগী মীয়ামদা শেল–থুমগী খুদোংচাবা অমসুং য়াইফবা ফিভম অমা পুরক্লগনি।

ইং ২০১৮ দদি ষ্টেট অদুনা শীজিন্নগদবা মৈগী চাং হেনগৎলক্লে। সোলর পৱার জেনরেসন অদু নীংথিনা মথৌ তৌহন্নবা পান্দম থম্লি। মদুতা নত্তনা আদার্নি গ্রিন ইনর্জি হায়না খঙনবা মৈ মেগৱাট ৬৪৮ পুথোক্কদবা প্রোজেক্ট অমসু ইং ২০১৬ তা আদার্নি গ্রুপকী মখা তানা পায়খৎখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা পৱার প্লান অদুসু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা সোলর প্লান্ট অমনি হায়না শীংথানখিবনি হায়রি।

সনা–সুদোকু –১০৯৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 3 | 1 | 5 | 9 | 6 | 4 | 8 |
| 6 | 1 | 8 | 4 | 3 | 2 | 9 | 5 | 7 |
| 5 | 9 | 4 | 7 | 8 | 6 | 2 | 3 | 1 |
| 9 | 6 | 7 | 5 | 2 | 3 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 2 | 5 | 6 | 4 | 1 | 3 | 7 | 9 |
| 3 | 4 | 1 | 8 | 9 | 7 | 5 | 2 | 6 |
| 1 | 5 | 9 | 3 | 6 | 4 | 7 | 8 | 2 |
| 4 | 8 | 6 | 2 | 7 | 5 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 3 | 2 | 9 | 1 | 8 | 4 | 6 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1100**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | | | | 4 | 8 |
| | | | 4 | | 2 | | 5 | 7 |
| | 9 | 4 | | 8 | | | | |
| | 6 | | | | | 8 | 1 | |
| 8 | | | | | | 3 | | |
| | | | | | 7 | 5 | | |
| | | | 3 | 6 | | | | |
| 4 | | | 2 | | 5 | | | |
| 7 | | 2 | 9 | | | | | 5 |